# মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চহী ১৯ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

চান্দিগড়, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) ঃ পঞ্জাবকী কোনুং চান্দিগড়া সিটিদা পাঙথোরকপা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী চহী ১৯ মখাগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মণিপুরগী শান্নরোয় মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চান্দিগড়দা পাঙথোরকপা ওল ইন্দিয়া জুনিয়রগী চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী খনগৎলকপা শান্নরোয়শিংনা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা কানাদানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা শান্নরোয় খনবগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি।

চান্দিগড়রগী ওল ইন্দিয়া জুনিয়র য়ু-১৯ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা মাইস্নাম মৈরাবনা ইন্দিয়াগী রেঙ্ক নম্বর টু কিরন জোর্জপু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, কেটেগোরি অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হরিয়ানাগী গৌতম ৱালাবু ২১-১৮, ২১-১৭তা মায়থীবা পীরমদুনা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং সেমী ফাইনেল চঙলকখি। সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুরগী মাসস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা টেলঙ্গনাগী শান্নরোয় এম থরুনবু ১৯-২১, ২১-১২, ২১-১৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা হরিয়ানাগী গৌতমৱালাবু ২১-১৮, ২১-১৭তা মায়থীবা পীরম্লগা কেটেগোরি অসিগী সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা চহী ১৯ মখাগী বোইজ দবলসকী ফাইনেল মেচতা অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ প্রসাদ অমদি এয়র ইন্দিয়াগী দ্রুব কপিলাগী জুরাগা মণিপুরগী কে দিঙ্কু অমদি কে ঐচ মঞ্জিৎকী জরাগা শান্নখি। মেচ অদুদা অন্ধ্র প্রদেশকী কৃষ্ণ প্রসাদ অমদি এয়র ইন্দিয়াগী দ্রুব কপিলাগী মখূৎতা ২১-১৪, ২১-১৪দা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

কেটেগোরি অসিগী সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুরগী কে দিঙ্কু অমদি কে ঐচ মঞ্জিৎকী জুরানা টেলঙ্গনাগী নভানিট বি অমদি সাই অন্ধ্র প্রদেশকী পবন কারিবু ২১-১৯, ২১-১৮দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ওল ইন্দিয়া জুনিয়র অন্দর-১৯ রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৯ মখাগী গর্লস দবলসকী সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা মণিপুরগী কে প্রিয়া অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী পৃথি কেগী জুরাগা কর্ণাটকাগী ক্রিসা হেজ অমদি দ্রিথি য়াথেসকী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু মণিপুরগী কে প্রিয়া অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী পৃথি কেগী জুরানা কর্ণাটাকাগী ক্রিসা হেজ অমদি দ্রিথি য়াথেসকী জুরাবু ২১-১৮, ১৭-২১, ২১-১৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখি।

কেটেগোরি অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা উত্তরখণ্ডগী অদিটি ভাক অমদি গোৱাগী টনিসা ক্রেষ্টোগী জুরাগা মণিপুরগী কে প্রিয়া অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী পৃথি কেগী জুরাগা শান্নখি। জুরা অনীগী মায়কৈদগী দবলসকী টাইটল লৌনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি।

মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা মণিপুরগী কে ঐচ প্রিয়া অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী পৃথি কেগী জুরানা উত্তরখণ্ডগী অদিটি ভাট অমদি গোৱাগী টনিসা ক্রেষ্টোগী মখূৎতা ২৪-২২, ২১-১৩দা মায়থীহৌদুনা কেটেগোরি অসিগী রন্নর্স-অপ তাহৌখি।




## মিষ্টর এসিয়া, মিষ্টর ৱর্ল্ডদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৫দা তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী ওক্টোবর ৩দগী ৮ ফাওবা পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি লাক্লিবা নবেম্বর ১৬ অমসুং ১৭তা থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর এসিয়া অমসুং মিষ্টর ৱর্ল্ডদা শরুক য়াগদবা লমদমসিগী শান্নরোয় ৫দা ঙসি হেলপিং হেন্দ কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাঙ পীখিবগা লোয়ননা য়াইফ থৌনি পীবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

হেলপিং হেন্দ কংলৈপাক্না শীন্দুনা শিংজমৈ সাপম লৈকায় কম্মুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা শাফবা শান্নরোয় মঙাদা তেংবাঙ পীবা অমসুং য়াইফ থৌনি পীবগী থৌরম অদুদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ সৈত্যবর্ত্ত, নার্কোটিক্স এফ্যেরস এন্দ বোর্দর (নাব) কী এদিসনেল ব্রিন্দা থৌনাওজম অমসুং সোসল ইনভাইরনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন (সেদো) প্রসিদেন্ট সাপম অরুনকুমারনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা জমুনা, দিনেস, রাকেস, রোবার্ট অমসুং গ্যানেন্দ্রোদা শেলগী তেংবাঙশিং অদু পীখিবনি। থৌরমদুদা ৱাঙাঙলোই ওইখিবশিংনা লমদমসিগী শাফবা শান্নরোয়শিংনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্টশিংদা চাউনা মায় পাক্তুনা মণিপুরগী মীংচৎ কয়া পুরকখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর এসিয়া অমসুং মিষ্টর ৱর্ল্ড অসিদসু শান্নরোয় ৫ অসিনা চাউনা মায় পাকপা পুরক্তুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোক্লখি।



# সেনরিতানা য়াইফবীবু মায়থীবা পীরম্লগা য়ুথ গর্লস সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর টেবল টেনিস এসোসি-এসন (এম টি টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিসকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং (কেশ প্রাইজ) টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী য়ুথ গর্লস সিঙ্গলসকী টাইটল থৌবালগী ঐচ সেনরিতানা লৌখ্রে।

লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী নুপামচা শান্নরোয় ১২৮ অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৬২ পূন্না শান্নরোয় ১২০না কেদেট, সব জুনিয়র, জুনিয়র, য়ুথ অমদি সেনিয়র হায়না নুপা অমসুং নুপীগী কেটেগোরি ৫ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং কেশ প্রাইজ টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম এল এ এম দি ফজুর রহিম, খাঙবোক কেন্দ্রগী এম এল এ ও সুরজকুমার, তেংনৌপল কেন্দ্রগী এম এল এ দি করুংথাং, মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট দেবসেখর শর্ম্মা (রিটয়ার্দ আই এ এস), টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং চ্যেরমেন ওক্রম ইবোপিশক, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসনগী এক্স প্রসিদেন্ট এ কে নোরেন্দ্র, ঐচ গম্ভির অমদি এল ইবোচৌনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে রোহিটনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অতোপ্পা শান্নরোয় কে ঐচ বসন্তকুমারবু ৪-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখি। য়ুথ গর্লসকী কেটেগোরিদনা থৌবালগী ঐচ সেনরিতানা থৌবালগী অতোপ্পা শান্নরোয় ঐচ য়াইফবীবু থোইদুনা টাইটল লৌখি।

কেদেট বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ লৈখেন্দ্রোনা থৌবালগী এল লমজিংববু ৩-২দা মায়থীবা পীরম্লগা কেটেগোরি অসিগী টাইটল লৌখি। মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

# ৱাঙ্গোই কেন্দ্র এল এস কে অমসুং নম্বোল কেন্দ্র ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর কাং এসোসিএসন (এম এ কে এ) গী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী এম এল এ ও লুখোই (মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট এজেন্সিগী ভাইস চ্যেরমেন) না স্পোন্সর তৌদুনা ৱাঙ্গৈই আই পি টিম্না শীন্দুনা ৱাঙ্গৈই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লিবা অহানবা লেট দব্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলদা ৱাঙ্গৈই কেন্দ্র এল এস কে অমসুং নম্বোল কেন্দ্র থেঙ্গাইনরগনি।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু কৈশামথোং কেন্দ্রনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা নম্বোল কেন্দ্রনা মায়কৈ খনখি। ফাইনেল চঙনবগীদমক কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিনখিবগা লোয়ননা নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎনা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৩-৯দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

ঙসিগী সেমী ফাইনেল মেচতা এল অপাবি অমসুং অচৌবা লুৱাংনা অম্পায়র অদুগা টি ঐচ মনিনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ফাইনেল মেচ থা অসিগী ২৫দা শান্নগনি হায়রি।

# মেদল লৌরকখ্রবা কিক বোক্সিং মণিপুরগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৩ (ঐচ এন এস): শিলোংগী টি-টিলোট সিংহ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৮ অমসুং ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪শুবা নোর্থ ইষ্ট নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ অমসুং গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা প্রো ফাইট বেল্টতা মেদল অমসুং বেল্ট ফংখ্রবা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।

কেদেট, সব জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র হায়না কেটেগোরি ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা ৪শুবা নোর্থ ইষ্ট নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অমদি প্রো ফাইট বেল্ট ইভেন্টতা বেল্ট ফংখ্রবা শান্নরোয় অমদি কেটেগোরি মরিদা গিনস ৱর্ল্ড রেকোর্দ এটেম্প তৌখিবা য়াম্বেম গোবিন্দ ঙসি মোইরাংখোম লৈপুং বজারদা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা তরাম্না ওকখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম কে প্রেসো সিমরে, কোরগী এলদরস কাউন্সিল প্রসিদেন্ট ডা. লাইফুংবম দেববর্ত্ত, পি দব্লিয়ু দি বিল্ডিংগী গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ এঞ্জিনিয়র নোংমাইথেম নোরেন অমদি এসোসিএসন অসিগী ওফিসলশিংনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৫৮গী জুনিয়র কেটাগোরিদা আর কে রোনিসনা গোল্ড, কেজি ৫২গী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ মৈরাঙম্বা, জেজি ৬৫গী জুনিয়র কেটাগোরিদা টি ঐচ সৈত্যগুন, কেজি ৩৭কী সব জুনিয়র কেটাগোরিদা পি ঐচ চাউবনা গোল্ড, কেজি ৫৪গী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ বিকাসনা গোল্ড, কেজি ৩৭কী কেদেট কেটাগোরিদা মিসন খুমুকচম্না গোল্ড, কেজি ৫৭কী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ কাইকুনা গোল্ড, কেজি ৫২গী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ দাইনানা গোল্ড, কেজি ৫২গী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ কিষন্না সিলভর, কেজি ৪০গী কেদেট কেটাগোরিদা এম অঞ্জলিনানা ব্রোঞ্জ অমসুং কেজি ৫৬কী জুনিয়র কেটাগোরিদা কে ঐচ চীংখৈঙানবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগা মরী লৈননা সেনিয়র কিক বোক্সরগী ওইনা সেপ্টেম্বর ৬তগী ৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা প্রো ফাইটতা বেল্ট ফংখ্রবা সেনিয়র কেটাগোরিগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি সলাম লেম্বা মীতৈ, ৱাই তলা চনু, এল সুরবলা, ৱাই ইতোম্বী অমসুং এল বিরবলনি। মেদল অমসুং বেল্ট লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা মোইরাংখোম লৈপুং বজারদা পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বরশিংনা মমেন্তো পীদুনা ইকায়খুম্নখি।




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com